ভাইথিনি পংথুং

রিমিতা অরিবম

NGAIKHINI PANTHUNG

by : Rimeeta Aribam

Published on 17 January 2013 (Thursday)
by : Aribam Publication under the auspices of
The Cultural Forum Manipur
Cover Design : Ch. Premananda Roy

ISBN - 978-81-920097-8-0

ꯋꯥꯢꯈꯤꯅꯤ ꯄꯟꯊꯨꯡ

ওাইখিনি পন্থুং

রিমিতা অরিবম



ꯉꯥꯏꯈꯤꯅꯤ ꯄꯪꯒꯨꯡ

ঙাইখিনি পঙ্গুং

অইবী : রিমিতা অরিবম

ফোংজবা : অরিবম পব্লিকেসন

স্বত পুন্নমক অফোংবগীনি

ফোংবা নুমিৎ : জনুৱারি ১৭, ২০১৩ শগোলশেল

কোপী মশিং : ৫০০

কোভর দিজাইন : সি.এচ. প্রেমান্দ রোই

ইংবোংজদা হন্দোকপা : খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ
আর কে জয়কুমার সিংহ
সি. এচ. প্রেমানন্দ রোই

মমল : লুপা ১২০/-

লাইরিক ফংফম : অইবীগী য়ুম, নাগামপাল কংজাবী লৈরক, ইম্ফাল

লাইরিক নম্ফম : আর বি প্রিন্টিং হাউস, নাগামপাল, ইম্ফাল

জেনরেল সেক্রেটরীগী ৱারোল

দ কলচরেল ফোরম মণিপুর ১৯৫৯ গী মে ১৭ নিংথৌকাবা নুমিৎতা মণিপুরী কলা সংস্কৃতি অমসুং সাহিত্যগী লমদা থৱায় য়াউজবা, ৱাখল মান্নবা মীওই খরনা পুনশিন্দুনা কলা সংস্কৃতি অমসুং সাহিত্যবু য়োকখৎনবগী থবক কয়া তৌনবগীদমক শেমখিবা সংস্থান অমনি। সাহিত্য একাদেমীনা শকখঙবিবগা লোইননা মণিপুরী চেফোংগী মরক্তা খ্বাইদগী লিরবা "ঋতু" থা অনী অনীগী ওইনা লেপ্তুনা পুথোকচদুনা অইবা- অইবীশিংনা সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিবু সেবা তৌদুনা লাক্লি। ফোরমগী মেম্বরশিংনা তোঙান- তোঙানবা হিরমশিংদা ইবা লাইরিকশিংদা সাহিত্যগী ওইবা মনা কয়া ফঙবীখ্রে। ফোরমনসু তোঙান- তোঙানবা হিরমশিংদা মনা অহুম পীদুনা লাক্লী। হৌজিক অনৌবা মনা মরী অমগা হাপচিন্দুনা পূন্না মনা ৭ (তরেৎ) শুরে। মনাশিং অসি লাক্লিবা চহি ২০১৪ দদি পূন্না পীরগনি।

রিমিতা অরিবম ফোরমগী নহা ওইরীবী থৌনা লৈবী মেম্বর অমনি। অইবী অসিমক শৈরেংদা হেন্না পূক্নীং চঙজবা অমসুং মণিপুরী সাহিত্যবু থম্মোই শেংনা নুংশিজবগা লোইননা থৌনা হন্দনা মাঙদা চংশিল্লক্লীবা অইবী অমসুনি। হন্দক পুথোকচরিবা অইবী অসিগী শৈরেংগী লাইরিক "ঙাইখিনি পম্বুং" অসিনা ফোরমগী ওইনা ৩৬ (কুন্থ্রাতরুক) শুবা লাইরিক্নী অইবী মশাগী ওইনদি অহুমশুবা লাইরিক্নী। অইবী অসিনা ফোরমনা লৌজরিবা সাহিত্যগী থবক থৌরমগী মনুং চন্না লাইরিক অসি মতম চানা পুথোকপীরকপগীদমক থাগৎচপা ফোঙদোকচরি মতুংদসু থৌনা হনবা লৈতনা অসিগুম্বা লাইরিক কয়া পুথোকপীরক্তুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্নৈদা অচৌবা দান অমা তৌবগা লোইননা মাগী ওইবা মফম অমা কনবা ঙম্বা ওইরকসনু হায়না থমজরি।

ঙসিদি অইবী অসিগী লাইরিক অসি সাহিত্যবু নুংশিবীবা অপাবা খুদিংমক্কী মফমদা শিন্নজরি।

ক্ষেত্রি রাজেন

অইবীগী ৱারোল

ইশাগী চহি ১২ দং ঙাইরিঙৈদগী হৌনা ইনিংবগী ইথিলনা শাফু কন্না হুমজিল্লক্তুনা পিল্লুবা থম্মোয় মচাশি ঙাইহাক্তা লৈতাফম খঙহন্দে । "ঐগী পম্বুং" (২০০৮) অমদি "ঙাইরি ঙসিসু পম্বুং" (২০১১) হায়না মীংথোঞ্জবা শৈরেংগী লাইরিক অনীসি ফোংদোকচদুনা ইরমদমগী সাহিত্যকারশিংগী মফমদা লান্থোকচখ্রবা মতুংদা "ঙাইখিনি পম্বুং" হায়না মীংথোঞ্জবা শৈরেংগী লাইরিক অসি অমুক হন্না লান্থোকচরি । তশেংনা হায়জরবদা ঐগীসিনা মফজরে খন্দুনা পুথোকচবদি নচ্চদে । পুন্সিগী মিকুপ খূদিংদা থেংনরুবা, তারুবা, উরূবা কয়াসিনা থম্মোয় মচাশিদা তৎতনা ইনশিল্লকপদগী ৱাখলদা ফাওরকপা থীঙমদ্রবা ঈচেলদুদা য়াওরকপা ৱাখলল্লোনশিং অদু চুম্নদা শৈরেং ওইনা ইথোকচবনি । চুম্বা লানবা হায়বদুমদি পাবীরিবশিংনা লেপ্পীয়ু অদুগা করিসু খঙজদ্রিবা অঙাং নৱানি হায়না খনবীরগা চুমথোকচনবগী তাঞ্জা পীবিয়ু ।

ঐগী লাইরিক মচাসিগী মনুংদগী ঐনা পামজবা শৈরেং খরদি ইংরেজীদা হন্দোক্তুনা হাপচৈ (মণিপুরী খঙদবা মরুপ মপাংশিংনা পাবা য়ানবা হায়দুনা) । খনগৎচরিবা শৈরেং খরসি ইংরেজীদা হন্দোক্লপীনবা হায়জরুবদা হরাও হরাও য়াবীরকখিবা ইকাই খূম্নজরিবা ওঝা খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ ওঝা রাজকুমার জয়কুমার সিংহ অমদি ঐগী নুংশিজরবা পাপা (ঐগী ওঝা) সিঃ ঐচঃ প্রেমানন্দ রোয়বু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি অমদি ঐগী লাইরিকসি ওইনবা হোৎনবদা ইতেং পাংবীরকখিবা পূম্নমক্কী মফমদা পুন্সিগী ওইনা কাওবা ঙন্নরোইদবা লম্মন তোনশিঞ্জরে । ঙসি ঐনা অইবী অমা ওইবা ফংজরিবসি ঐগী মমা পাবুং অমদি পাপা (ঐগী ওঝা) মখোয় অহুমগী চাউরবা মতেংনা ঐবু থৌনা হাপ্পীবননী ।

অরোইবদা লাইরিকশিগী মনুংদা য়াওরিবা শৈরেংশিংসিবু কনাগুম্বা সংস্থান নত্রগা লনাই মীওইশিংনা করিগুম্বা মরম অমগীদমক শিজিন্নবীনিংবা য়াওরগদি অইবীদগী হান্না অয়াবা লৌবীয়ু । সত্ৰ (হক) পুম্নমক অইবীগীনি ।

রিমিতা অরিবম

নাগামপাল কংজাবী লৈরক, ইম্ফাল ॥

য়াওফম তাকপা

কচ্ছবা

Translated English Section

***

কচ্চবা

কচ্চরি হান্নগুম নখূয়াদা
লৎনদনা লৌশিনবীয়ু নহাক্লা
মদূনা খঞ্জগে পুন্সিগী ওইনা
শেংলবা ঐগী মরূপ্নি
লেংদ্রবা লোইনাইদ্রবা মঙালনি
পীনবীয়ু থৌজাল
চানবীয়ু নচাবু
থন্বীয়ু নহাক্কী চরন্দা
ববা!
সাই রাম।

রিমিতা অরিবম

থব্রানমিচাক

হেল্লি নঙনা
থাজ মঙোন্দগী
নঙগী লৈতেংননি
অতিয়াবু ফজহল্লিসে
কুফেৎ কাফেৎ নঙালনা
থম্মোইবু লাংতক্লহল্লি তৎতনা
ইংনা ফজৈ নঙসে
অতিয়া শাৎপা
লৈরাংনি নঙদি
নঙগী নিংথির লৈকোলসিদা
কোইনা পাইরি কুরাক্লুম
লৈচিল্লক্তা লোৎলিবী
চীরোল লৈবীনি মহাক্তি
তোমথিন ঙাল্লি খন্দুনা
চন্নফম লৈতে ইফমদদি
মায়হিং কার মায়থোংদো
খোইদারুদে থম্মোইসিনা
পুন্না লৈশাৎ তন্নীবী
থব্রানমিচাক নঙবুতনি ঙাওজরিবা ।

০১/০১/১২

মিৎমাঙদৈ

থাজরম্বা নহাক্না
মিৎমাঙদৈ মাঙখ্রবদা
করিবু ফাওখিনি থম্মোইসিদা
নুংশিবা নুংঙাইবা
হরাওবা তয়াম্বা কয়াবু
থম্মোই লকাসিদা
নুংশিবা লৈনম কয়াসে
হৈনবা ফাওদ্রে ঙসিদি
পংলবসু মিৎ অনীসে
তুল্লীবগুম করিগী খলহল্লি
মহৌশা লাইরেম্বীনা ইফমদা
তৎতনা হংলি ৱাহং কয়া
পীবা ঙল্লরোই পাউখুমদি
চামথোক্লবসু ইঙা নোংনা
মুৎত্রি ঙসিসু নীংশিংবদি
নিংঙাইদনা শান্নরি ৱাখলনা
নোংপুবা লৈচিন মরক্তা
ৱারৌবা হৈতবা থম্মোইসিনা
ঙসিনা করিগী নিন্দা তৌরিবা ।

১৩/০১/১২

অহিং

তাংলৌ থেংলবা অহিং
মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা
হাংল অতিয়াসু মাঙখ্রেবা
লিরি নামিবসু লোৎখ্রবা
মিকুপসিদনা হেন্না খন্থহল্লি
থম্মোই লৈকোলগী ৱারী
শাগৎহল্লি আশা কয়া
লীরি ৱারী ঙসিসু
নোংমদোল থাজ মঙোন্দা
চিরোল হৈবা হরিনোংনাংনা
তৎতনা লক্লরি ঐহাকপু
সুক্লবা উমংসিনা ইফমদা
পূক্লীংদা তুজুংবা পীররি
মিকুপ সিতমক করিগী
হঞ্জিন হঞ্জিন নীংশিংহল্লি
হৌখ্রবা থৌদোক কয়াবু
মসিগী তোংজববু লৈরবা ?

১৩/০১/১২

নুমীদাংব্রাইরমগী হেল্লোই

উখি নোংমা

হাংল অতিয়াদা

কোমলা মচুগুম

হৈপাল লৈপাল

চেক্লা খিবিকসু

মাগী মতৌদা

লেপখি তুম্মিনা

লিরি নামিবসু

লেপখ্রে মতমদো

হাইন হুম্না

নোংদোল অতিয়াদা

শান্নজরম্বা লৈচিনসু

থৎখি লম্বী

থোইচৎনবী মগুন

কনাবুসু য়েংলমদা

তপ্না তপ্না

হনুবা চীংদোল মরুমদা

কুমথখি তপ্না

য়েংথোরকপদা তনিক্লা

মায়কৈ খঙদা

চেক্লা কয়ানা

মহুম পোঞ্জেন য়ৌনবা
লমজেন য়াংবা তান্নরি
অঙকপনি নগুনদি
পুংসুম শুমহৎপীরে
পূন্নমক্কী থম্মোইবু
নুমিদাংব্রাইরমগী হেল্লোইগুম !

২৫/০১/১২

ঙক্লুই

ঙসিদি ঐগী মিহুনসে তনিকই
নুংশিবা সুরদা খোংলম্বা
থম্মোই হুনা শৈশক্লম্বা
লৈকোলসিগী কোকিল মানা
সুর কায়না খোংলকপসিদা
তম্না উরিবা লোইবী চীংসু
খুমজিনখ্রে অমুবা লৈচিননা
মালং মাসু হান্নগুম
লিরি লিরি হুমখিদ্রে
শোন্থহল্লে অকনবা শাফুদা
ঐগী থম্মোই লাইয়ুমসে
নোংমদোন থক্কী থাজ
মনীংতম্না ঙাল্লিবা থব্বান লীশীংসু
লোৎখ্রে ঙম্না ঙসিদি
অখাক অরাও মখোলদা
ককঙাওনহল্লে চেক্লা কয়াসু
অশাওবগী মতৌগুম হিংলিবা
নোংলৈ নুংশিৎ মানা !

০২/০২/১২

ইমা

লন পুম্বনা লৈতেংবী
নাচোম কয়ানা শমজিদা
নিংথিবা শম্বুল পুনখৎতুনা
নচাশিংগী পীবুক থাক্লীবী
নুংশিবী পলেমনি ঐখোয়গী
মনিনি নঙদি মালেমসিগী
চেক্লা কয়ানা উথক্তা
নঙগী নগুনবু শৈথারিয়ে
নপারী নমোম কয়ানা
মালেম কোয়না চত্তুনা
নঙগী নগুনবু শক্তাক্লি
লাইরৈবাক্লি ইরমদম নঙসে
তোন্না করিগী হিংলুনি
ৱাৎপা কৌবা লৈতে
চীং পাৎ তুরেল কয়া
নরন্নি শৈথাবৈ লোইনাইদবা
শকহেনবীনি অথোইবীনি নঙদি
ৱাহৈনা ফোঙবগী লোইনাইদ্রবা
নিংথিজর শক্তম্নি নঙগী
ইমা নঙবুনে শকহেনবী ।

০২/০২/১২

লোক্তাক পাৎ

চীংলোন কয়ানা কোয়শিনবা
ঐগী নুংশিবী ইরমদম
মহৌশা লাইরেন্বীগী শাথেকফম
পুমহেন হেনবীনি ঐখোয়গী
য়েলহৌঙৈগী ৱারীনা শক্তাক্লি
নঙগী নগুনবু শৈথাদুনা
তল্লি মীরোল কয়াদা
লেপ্লা লৈত ঙসিসু
তাম্না উরিবা নীংশিং মিংশেল
হানৌ থক্তা তোংলগা
ঙাতোন পেঙবা কয়ানা
লৈনা লৈনা শাথেক্লিসে
মিৎফম হোংদ নিংথিজৈ
অমুকসু
থরো থম্বাল খিবীক্লা
নঙগী লৈতেং ওইরেদো
মফম কৈদা চৎতুনসু
ফংলরোই উজবা নঙগুম্বী
পুন্সি চেংজেল লোইবফাও
চেন্না চোংনা হরাওনা
নিংঙাইদ শাগজগে নংশ্নাক্রো।

[illegible]

অমনসু হেন্দে

নথৌ চিনবীনি নখোয়দি
পাক্ল অতিয়াদা
অথোই অহেন তান্নরি
নঙনা অয়ুক্কী মরূপ্পি
নহাক্লা নুমিদাংগী মপাংনি
মপান নাইদ্রবা অতিয়াদা
ঙানথোইররে নঙগী নঙালনা
চেক্লা কয়াসু অহাংবদা
থেক্লা খোয়না মালংগী ইপোমান
হাইনা হুম্না নীংতম্লা
মকা কল্লা শান্নরিবে
হে নুমিদাংগী চন্দ্রনি
নহাক্কী কুচু উমন
থাবলনা ঙাওরবী থাবল্লেনা
য়েল্লরে লৈনম লোংশিনবা ঙমদে
নরূপ নপীজা কয়াসু
পাক্ল নোংমদোল অতিয়াদা
কেকু লোৎপী শান্নদুনা
কুফেৎ কাফেৎ য়েংলিসে
ঙাওহল্লরে ঐবুসু খাংঙমদনা
শুমহৎপীরে নখোয়গী নতৌনা ।

১/০৩/১২

নঙগী নগুন্নি

হায়নৈনে ইমা
নঙদি মীথোই মীহেনবীনি
নঙগী নগুনবু শিংথানবা
ব্রাহৈ মতা লৈতে মালেমসিদা
ব্রাৎপা লৈতে নফমদা
য়েংলু য়েংলু খূদিং
মিংফম তোংনিংদে অমুক
ফজর মচৈশাঙ খুদোললি
[illegible] খুদোললি
তদুং
তুমিন [illegible] [illegible]
চিংনগী [illegible] [illegible]
খুমজিনগে উমংগী অমুক্তা মচেল
মায়কৈ খূদিংমক্তা তৎতনা
অকি তুজুং পীররে
মসিবু করম্বা নগুন্নো নঙগী
হিংলি হায়বত মঙাইরে
মৈশা লাংলেদো ইমা নঙদি ।

০১/০৩/১২

মহৌশা লাইরেন্বী

অয়ুক্কী ঙাঙ্গানবা মচুদা
তাম্না উরিবা চীংদোন্দা
শান্নজরিয়ে লৈচিল মফোলনা
লৈখল কয়াগী লৈনাথক্তা
লিক্লানা তাংজবা উবদা
খোইথুন্নবা সুরদা
নুংশি শৈশক তম্লরে
পোন্বী চেক্লা খিবিকসু
নুংশিবা লৈনম কয়া
পূক্লীং হুনা য়েল্লকই
নামিবা মালংগী শহুমদা
ব্রাখল পূক্লীং হকচাংসু
ঈথক হৌরক্লে ফাঙমদনা
মহৌশাই নিংথিবা উবদা
মখল কয়াগী পুন্সিবুসু
হেন্না মহাও পীররে
নঙগী শাথেক উবদা
তমজনফমনি ইমাও
নঙগী থোইচৎনবা নতৌবু !

চিনি চম্প্রা

নৈরাংলক্তে অথোইবী
তোমথিন ঙানবীনি নঙদি
নিংথিবা শওং শাদানি
নুংশিবা লৈনম্না য়োল্লিবী
খোইদাজে ঐদি নঙবু
তুশোল্লবী নতৌ উবদা
অমুক্কা হেন্না তনিকচৈ
অহিং খূদিং য়েল্লকপা
থাজগী মঙালদা ঙাওজবী
নোংঙাল্লকপদা কেল্লম্মি শিঙ্গারৈসু
কল্লকউদে থম্মোইসিনা
ইংল নঙগী লৈনম্না
থুন্ন অমৃত্তগুম পূক্নীং হূবীনি
থম্মোই লাইয়ুম হুখিবনা
কাওবা লৈতে মিকুপ খূদিং
হো নঙবুনে লৈরাং চিনি চম্প্রা
য়েল্লমখো লৈনম মালেমদা
লোইবা লৈতবা নগুনবু !

০২/০৩/১২

১ইংখাং, পং ২,

পুন্সি

পুন্সি নঙবু
কল্লকতে ঐদি
মীওইবা নঙসু
ঐসিবু কনানো
নঙগা লৈনরিবা
মবীসিনা কবি ?
ঐদি পাম্মী নীংতম্বা
লৈনিংলে লাপ্লা
অইং অশাদগী
খঙবা ৱাবে
ওমদুনা চাক্লিবা
ৱামৈগী মবক্তগী
নাথৈদুনা চৎলগে
চেন্থবিবা ঈচেলসিদৈ
খঙনিংদে কবিমত্তা
পুন্সিগী মহাওসিবু
হংলক্লনু অমুক
করিগী ককঙানরি
ফংলরোই পাউখুম
ফোঙলরোইসু লেপলে
ঐগী থৱায় মঙাসিনা
লেপখ্রবনি পুন্সিগী !

১০/০৩/১২

লৈচিল্লক্কী থাজ

নাইতোম ঙাল্লি নঙদি
ঈচিক হুল্লবা অহিংসিদা
নুংশি শৈশক তল্লম্বা
চেল্লা খিবিকসু তুমথখ্রে
নারোন্দা শৈশক্লম্বা
খোইমু লাবা কয়াসু মাঙখরে
মওং লৈত্রবা লৈচিন
মপান নাইদ্রবা অতিয়া
পুম্নমকসিবু য়েংলুবদা
কায়দুনা চেন্নখ্রে আকি তুজুংননা
চেন চোংনা শান্নরম্বা
নঙগী নতারোই খিবিকসু
মাঙখ্রবোইদো ঙসিদি
য়েনিংথাগী হৈপাল লৈপালসু
মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা
শকফম তন্না হোংখিবনা
পেলহনবা ঙমদ্রে থম্মোইবু
করিগী লোৎলি হৌজিকসু
মতম কুইনা ঙাইরকপনি
থোরক্লো মিৎমাঙদা তাইবংপানগী
কোকহল্লরো ঈখৌলাংবা থৱায়শিংবু !

১৫/০৩/১২

মীওইবা

হে মীওইবা
করিগী অসুক পাংদবা
হন্না হন্না মায়থিরি
মফম কৈদগী লাক্লগা
মফম কৈদা হনখিনি
খঙবা ঙম্ব্রনে নহাক্লা
লাম্বা ফংদ্রবা ৱাখলবু
থনম্লগা অমুক নাথৈদুনা
তুংহন্দুনা চেল্লি করিগী
মচু কয়াগী লৈকোলসিদা
ওইররে নঙনা অমুবা মচু
থৱায় পান্দ্রবোইকো নঙদি
থৱান লীশীং কয়ানা নোংমদোন্দা
কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্লিসে
নঙগী পুন্সিগী মতৌদুনি
লৈরাং নাচোম কয়াসু
খুইথখ্রে ঙম্লা ঙসিদি
নুংশি শৈশক তম্লম্বা
নিংথির চেক্লা খিবিকসু
মায়কৈ খঙদ পাইখরে
নঙনা কদোমদা কদায়দা
চিংনজৈ মুৎখ্রগদরা নহাকসু !

২৫/০৩/১২

কৈদৌঙৈনো

মৈশা ফাওরে ঙসিদি

মেঙলবা থাবল মঙালসু

লম্মন খুম্নীংবনা

থম্মোই লাকানুংসিদা

হেন্না অৱাবা পীরেদো

অতিয়াগী লৈচন ওইরিবা

মহৌশাই নাচোম নখোয়বু

থা থৱান চীং পাৎ তুরেল

হৈরাং লৈরাং নখোয়দি

অৱা নুংঙাই ফাওদেদো

অদুগা

করিগী তাইওন্নরি মীওইবা নঙনা

লৈমিন্নরগা মফম অমত্তদা

বসন্ত ঋতুই মতমদা

কোকিল লাবা অমোমনা

হৈনৌ মপাল উমদুনা

নুংশি শৈশক তন্নিসে

মহৌশাই নিংথিবা মতৌনা

শুমহৎলিবনি মখোয়বুসু

ও ! তান্ন চীংনুংদৈ

তমথিরবা লমহুইনা য়াক্ল খোঙ্জেলদা
খোন্থাং য়েনা খোংলিবসে
মীনুংশি খঙদবা উৎপনি
ওইজবত থীবা মীওইবনি
শৈথাবীরিবনি মানা কল্লক্লা
ঙসিদি লম্বা ফংদরে
তাম্না লৈহৌরে মিৎয়েং ব্রাংমদা
অপুনবৈ শক্তমদি উখিদ্রে
কৈদৌঙৈনো হল্লক্কদবা অমুক লিংজেল
মান্নবৈ শক্তমদো
নুংশিরবা ঈরমদমগী লৈকোলসিদা ।

২৫/০৩/১২

করিগী

খঙনিংলি ঙসিসু অমুক
পাউখুম লৈতবা ৱাহংসে
কপহল্লিবা ঐবু মিকুপ খূদিং
হৌরকফম্না করিনো থৌদোক্কুগী
লাপ্লহল্লি করিগী ইফমদগী
চৎখ্রে থাদোক্লম্লগা ঐবুদি
লম্বী মাঙখ্রে ঙসিদি
থম্মোইসিনা কদায়না
ৱাখলসিনা কদোমদা
মীহুন্দি হুল্লি অদুম্মক
হিংবৈ মহাওদি মাঙখরে
করম্না অমুক ইরুনি
ঐগী মাঙখ্রবা পুন্সিগী ৱারীসে
মুৎখ্রে ময়েক খূদিংসু
ইখিবদো ইখূৎমক্লা লেপ্তুনা
নঙনা পীরম্বা খূদোল
মফম খঙদ মাঙখরে
ওৎলম্লী করিগী অসুম্না
মদুনা ওইরব্রা অপেনবা ।

১৬/০৩/১২

মরূপ

নীংশিংহল্লে ঙসিদি ঐবু
নখোয়গী নতৌ উবদা
নুমিৎ খূদিং ফল্লম্মি
উপালসিগী মখাদা ঐসু
খল্লুদে মতমদুদা অমুক্তসু
চৎখিনি হায়না থাদোক্লম্লগা ঐবু
শৈথাখিবনি মফমসিদা কয়ারক
মাগী মতৌ য়েংদুনা
ইনিংতম্না য়েক্লি ঙসিদি
নিংথিরবা মচু কয়ানা
মাগী শক্তম্বু হঞ্জিন হঞ্জিন
ও ! নিংঙমখিদ্রেদা মিকুপ্তো
ঙসিদি অমুক ব্রাহল্লে
নঙবু নীংশিংলুবদা থম্মোইসে
ওইহল্লে অমুকসু অঙাওবা
অদুবু ঙসিদু অদুম্মক
মপাং কায়দা লৈরম্মি
উশাসিদা নখোয়দি লেঙদনা
চৎখ্রবসু মানা ইনাক্তগী
মচু হোংদনা ঙসিসু
শংলবা মচুনি ইনীংতম্বা

নুংঙাইবা মতৌ উৎলিবা
তৎখিবা য়ারো নখোয়'নি
কায়নখিনু অমুক পুন্সিগী
খাংঙল্লোই নখোয়সু ঐগুম্না
ঐগী মতম অমগী
থৱায়গী মরূপ তেনৱা !

১৬/০৩/১২

হাংদোক্লখিনি

তাম্না লৈরবসু ঐনা
লেপ্লখিনি নঙগী তোবর্বান্দা
তল্লখিনি ইপাও কয়া
নঙগী পুন্সিনা কুরাক্কুম
উরম্বনি নিংথিবা লৈরাং
শান্নহনগনি নচা ঐনা
থোৎলবা লৈনাথক্তা চৎহন্দুনা
হরাও মথোই কাহনগনি
হৌখ্রবা ব্রারী কয়ানা
চিংনরনু ইমা হৌজিক্তি
লান্থেংনরখিনি নচাশিংনা
ইমাগী পিরাং তৈথোক্লসিনি
পল্লোন কয়া ঙাক্কুনা
য়েক্লববু ঈকাইবা পীরখিনি
ঙাইরমখো য়োহ্লিং থাংলসু
হাংদোক্লখিনি নচাশিংনা শোয়দনা।

০৮/০৪/১২

তোংজববু লৈবরা ?

নঙগী ব্রাখল খল্লুরবা
হায়ফম খঙদে ঐদি
ব্রাখলবু লৈতাহন্দে অমুক্তা
তৎতনা মঙলাক্লহল্লি তাইবংদো
চেনফমসু লৈতা থাদোক্কুনা
তোকখায় তাবগী শক্তমনি
য়েংলু খূদিং উরিবা
মশিং য়াম্লবা থব্রায়শিং
ফজফম খঙদ্রে নঙগী লৈকোলসিদা
পনঙাক্কুনা লৈরিবা লোইবী চীংশাংশিং
খঙহৌদনা নিংখায়রকপগুম ইকোকথক্তা
মীপাইজৈ থম্মোইসিনা তৎতনা
হৌখ্রে মতমগী ব্রারীবু
নীংশিংলুরগা নিন্দা তৌজরি
করিগী নমথদুনা ঐখোয়বু
থমনিংলিবা লৈরোম্নুংদা ফম্লগা
মহাও য়াওহনদরে পুন্সিসে
তোংজববু লৈবরা নখোয়দা ।

১৫/০৩/১২

চৎখ্রবসু

চৎখ্রবসু নঙনা
মুৎত্রি নীংশিং মমিদি
হায়ঙমদরি ইচিলসিনা
কায়নরসি হায়বা ব্রাহৈসে
নঙগী অনীংবা অপাম্বসু
য়েংনিংখিদে থম্মোইসিনা
অব্রাবা কয়াবু লোৎশিন্দুনা
মায়থোংদা মোমোন নোকখিবনি
চৎলিবা লম্বীদো নঙনা
ওইরম্লনি খল্লুই
অদুনা নঙগী অপেনবা
নিংঙাই চাওবা থম্মোইবু
থেম্বীরম্বা মহাক্লা চৎখ্রবদা
লেংঙমদবা উপালগুম
তুম্মিন খাঙদুনা লৈরিবা
মায়থীরবা লাম্মীনি ঐদি
কনাগী আশাদা হিংলুনি
পুন্সি খোঙচৎনা লেপ্পীংলবদা
তাইনফম খঙদা কনাদা
মুৎপা নাইররোইদবা
ঐগী পুন্সি ব্রারীসে
করম্নবু শৈথারসিগেনে ।

২৭/০৪/১২

কাওথোক্লুরবনি

কাওথোক্লুরবনি ঐনদি
নীংশিংনিংদ্রে অমুক
হৌখ্রবা থৌদোকপু
ঐদি মীনুংশি খঙদে
লেপ্পা লৈতে ৱাখলসু
হোংবা নাইবা পূকচেলনি
লেপ্লু য়াদে পূক্নীংসিনসু
পুন্সিগী তেল্লবা খোঙচৎসু
মচু নাইরিবনি ঐগীদি
চেক্লাশিংগী মতৌগুম
পল্লেপফম খঙদা অতিয়াদা
পায়দুনা শান্নরি ঐগী থম্মোই
কল্লকউদে কনাগী নুংশিবদা
মালংগী ঈপোমদা শান্নরিবা
লৈরাংশিংগী মতৌগুম
করেম্নগুম থোক্লরে ইফমদা
শারবা কালেনগী নুংশা
ইংলবা নিংথমগী উনলেন
অমত্তা ওইরনি ইফমদদি
পূম্নমক্কী হৌরকফম
নঙননি হায়রগে ঙসিদি !

২৭/০৪/১২

লোইখ্রে

হে মতমগী লাইরেম্বী
নঙগী ঈরৈনা চেন্থৰি
পুন্সিগী থৌদোক কয়াবু
হৌখ্রববুনা নীংশিংহল্লি নৌহৌননা
ঙসিগী নুমিৎসিনা হৌখিবগা
ফংনখ্রনি ইবান্নিগী পুন্সিদি
হৌরগনি নঙগীসি অনৌবা লম্বী
লেপহৌরগনি ঐদি অদুম্মক
হৌহন্নিংদ্রি থম্মোই মচাসিনদি
মহাও মাঙখ্র পুন্সিদি
ফংদ্রবসু অমুক উজবা
থা-থৱান লীশীং লীশীং থোক্লিবা
নোংথকপুদি য়েংনিংলি হৌজিকসু
লৈরাং কয়াগী লৈনম্বু
মালং মানা হুমদ্রসু
চংশিন্দুনা নমনিংলুই হৌজিকসু
মায়কৈ খঙদা চৎলেদো
কল্প ঈরৈদা তাউথবগুম
ঈরাক্লুরে ঐদি হঞ্জিন হঞ্জিন
নঙগী ৱাহৈদুনা ঐবু
মতম মাগদি য়েক্লুহল্লে
ফোঙদোক্লবনি ঙসিদি নঙগীদমক !

২৭/০৪/১২

থম্বাল

থম্না খেঞ্জোং মরক্তা
তোমথিন ঙানবীনি নঙনা
করি পাউখোঙনো চল্লিবা
মতম কয়াদগী খঙনিংনা
ব্রাখলদা তৎতনা হংখিবনি
মচু কয়ানা পুন্সিবু
মফম খঙদ শঙখিবনা
লৈতাফম খঙহনখিদে থম্মোইবু
মেঙল থাবলগী মঙালদা
নঙনা পাক্ল ঈয়ায়দগী
ঈকাইরপ তৌনা য়েংলকপদি
করি ব্রাহৈনবু শৈথারসিগে
পাক্ল লাইজ ঈপাক্তা
মালং ইপোম মরক্তা
নঙনা লৈশাৎ তম্বদি
ঙাওরোইদবা কনাবু লৈবগে
হে থম্বাল !
শাৎলুকো নঙদি অদুম্মক
মালেম লৈমনা য়াতাদ্রিফাও !

১৬/০৫/১২

থাজ

নঙগী কোইদানবী মায়থোং
নঙনা মেঙল শক্তম্নি
লুপা মচুনা লমঙানবীনি
নামিবা মালংগী ঈপোম্না
হুমলি লিরি লিরি
নুংশিবা হৈনম লৈনম কয়ানা
মায়কৈ খূদিং পাউচেন্নরে নুংশিনা
চেক্লালক্কে অথোইবা
নোংইন কৌবা মহাক্না
নঙগী নমিদা ঙাওজদুনা
য়েংলিসে নোংথক্তা হঙ্গৎতুনা
নঙবু চেকশিল্লু তাক্লিবনি
অদুবু
ঐদি নঙবু উনিংদ্রে
চৎখ্রো লাপ্না ইনাক্তগী
উবা ফংদবা মফমদুদা
আশানা নাথৈরবা পুন্সিনি
মহাও য়াওদরে ইফমদদি
নঙগী ফজবনা মিৎ থকহল্লে
নোংইনগী মতৌ উবদা
করেম্নররে থম্মোইদা !

০৩/০৬/১২

শেম্লসি নৌহৌনা

তোল্লিদকো পুন্সিসে নঙগী
কনাগবু চাংদম্নরসিগে নঙগা
নচা কয়ানা নঙবু মীরাইবীরে
হল্লকহল্লোহে ইমা অরিবা লাইনীং
খঙদোক্লসি নৌহৌননা ঙসিদি
শেংল পুৱারীবু অমুক্কা
তেংথারি করিগী তৎতনা
শম্বল নাক্তা ফমদুনা
ফম্লরোনে ইমা ও
শেংল তাইরেন মখোঙদা
মেললো অমুক্তগা কংলৈবু
তিলহল্লমখো ঈতিনফমদা নিংথিনা
লমতাই থাংজগী শরোই ঙারোইগুম
করিগী উৎপিরি ইমাঙদা নঙনা
থেম্লরো ইমা নাউশুম ঈশৈ শক্তুনা
য়াতথ্রগে ঐদি পুন্সি চুপ্পগী
য়েংদুনা লৈবা ঙমদরে
খাম্বী মৈনা কাহৎলবা
ইমা নঙগী শক্তম্বু ।

১৮/০৬/১২

কুমগী নোং

চুররো কুমগী নোং
চোংথহনবীরো অনৌবা য়েন্নিং
চুমথোক্লরো চিংলিবা লৈরি কয়াসে
কল্লবা ইপুগী চৈশু
থিবগী মতম য়ৌরক্লে
ৱারক্লরো লমহেনবা নচা নশুবু
মিকপ থোক্লসি ঐখোয় পুন্না
থৌনা ফবা লাম্থেংননা
ইমাগী পিরাংসু তৈথোক্লসি
মপান নাইদ্রবা অতিয়াবু
ফজৈ হায়না শোল্লিবা
নঙগী পন্থুংবু কৈদনো
অহাংবা নোংদোলথক্তা পাইরিবা
মওং লৈত্র লৈচিনগুম
পল্লেপফম খঙদ্রবা ৱাখলসে
ওইগনি শোয়দনা নঙগীদি
থিনদুনা লৈরনু নখোয়
শেল্লসি অনৌবা য়াওল
লৈখন কয়াগী নিংথির লৈকোল ।

১৮/০৬/১২

ঙাইখিনি পন্থুং

ৱাশক কয়ারক শক্লুরে
আশা কয়ামগা লোয়ননা
চৎলি পুন্সিসিনা হনবা লৈত
ৱাখলনা তৎতনা শান্নরি
পূক্নীংগী ৱারেপ্তা করেম্ননা
থম্মোইনদি পামলি পন্থুং মাবু খোইরাংনা
ৱাহং কয়ামা হংলিয়ে
শকউদবা থৱায় মানসু
পূম্নমক্কী হৌরকফম ওইবিরী
ঐগী ইমা নুংশিবী
করম্নবু লমন শিংলসিগে
মপু মাবু চেৎনা লাৎচরি
ৱাখলগী য়েন্দাইদা হাপ্লীবা
থৌদাং পাঙথোক্কে খন্না
খোঙফম চেৎনা হোংবা লৈতনা খল্লিয়ে
ঙাইখিনি পন্থুং ঐদি
ৱারোইশিন্তবু ঙাইরবা
ঐগী পুন্সিগী ৱাহং
পাউখুম ফংদ্রবসু
লেপকনি অদুমক মফমসিদা
চৎকনি হনবা লৈতা
উবা ফংদ্রিফাওবা
অৱাংবা চীংদোন্দা
য়ুংলিবা ফিরাল অঙৌবা ।

০১/০৮/১২

খাংপোকশঙ

পিকতক চেংতক
মিরাং থুরবা
অপিকপা থোংনাও
অখুবা থোঙ
অহোবা ফক্লাং
তুথরবা যূম্বী
ফোপ্পবা ৱাশাং
নিংথমথাগী মতৌগুম
মৈখুনা লৈচিনগুম
কনাসু উদনা
নিংথির খাংপোকসে
কাহৎলেদো ঙসিদি
যূমথক্কী ই
নঙত মঙাইরে
ইমা ইপা
ইচিল ইনাউ
পূম্নমক লোৎখরে
অকোয়বা চীংশাংনা
ঙাকলিয়ে তুথদনবা
মমিংতা ঙাইরবা
নুংশিবী খাংপোকশঙ ।

০৫/০৮/১২

পন্থুং

ঐগী পুন্সিগী লম্বীসিদা
ৱাখল মানা পুরি মফমদুদা
চৎকনি য়ৌদ্রিফাও পল্লেপফম
করিগুম্বা খোঙচৎসিনা লেপখ্রবা
শাংলবা লম্বী য়ৌঙমদা
মিৎমাঙদা উরিবা পন্থুংবু
করম্না য়ৌঙমদনা হল্লসিগে
হরাওগদ্রা ঙসি ঐসে
কপ্লগদ্রা থম্মোই শোক্না
কংশিল্লবা উশাগুম
উরুম ফংদ্রবা পুন্সিগুম
গুলাবতা তাংজবা লিক্লাগুম
করিগী খল্লি ঐনা
ৱারীগী খল্লি ঐনা
ৱারীনি চাংদম্নরি মাগা
ৱারীনি ঐগী পুন্সিগী ঙাইহিরবনি ঙসিসু মাতবু
পল্লেপফম খঙদা পাইহিরবা
লৈচিলগুম্বা পুন্সিনি ঐগী
অমুকসু তনিকলুই হয়েংগীদমক
নীংশিংদুনা লৈরসিরা
ঙাইদুনা লেল্লসিরা
ককঙাওনহল্লে ঙসিদি ঐবু ।

০৮/০৮/১২

ভ্রইটাখান পনখ্বুং

অহিংগী ধ্রুবতারা

হায়রম্মি অথৌইবীনি নঙদি
নুংশিবৈ কুয়োম্না য়োল্লীবী
সনা মচু শেৎপীনি
লীনরম্মি নঙতগী ৱারী
শৈথাখি মীপুম খূদিং
শেংল নঙগী নগুনবু
ইং তপ্পী নতৌনি
থম্মোই কয়াবু হুদুনা
পাইশিল্লকখি শকখঙদবা খোইমুনা
কেন্না মৌনা লেল্লম্বা
নুংঙাই মঙলান্দা তাওরম্বা
লানজদবী নহাকপু
খোংগোইনবীরেদো ঙসিদি
অহিংগী ধ্রুবতারাগুম
থাজ মাগী মখাপোন
নতোমতা লেপলি মঙলৈবাকতা
ইতিহাসকী চেনা কয়াসু
ঙম্না লোৎখ্রে ৱামৈলক্তা
মমিংতা ঙাইরবা নগুননি
শৈথাবীনবা লৈতরা
নাংগী শক্লিনি পূদিং ।

৩৮/১০/৯২

[illegible]

হোংবা নাইবা

হোংবা নাইবা খোঙচৎনি নঙদি
মতম মানা হোংখিবগুম
লীচৎ ঐগীসু হোংলি অদুম্মক
খলম্বা ৱাখলসু মাঙখি
অনৌবা ঈচেলনা চেন্থখি
অৱাবা থৌদোকপু নীংশিংনা
শিন্থরম্বা পিরাংদো
য়েনিংথানা লাকপদা
চোংখৎলকপা হানৌগুম
পূক্নীং ৱাখল পূম্নমক
হরাও নুংঙাই ফাওরিসে
অঙকপনি ৱাখল নঙগী তান্থা
অমংবা নেংগী মতৌগুম
অখাক অরাও মরক্তা
লেল্লম্বা ঙম্না লৈতাখ্রে
পূক্নীংগী ইহুন তাবদা
নুংঙাই মঙলান্দা তাওরেদো ।

০৮ ১০. ৯২

লম্বী

মখল য়ামই নঙদি
পল্লেফম্না কদোমদা
পন্থুংনা কদায়দা
খঙবা ঙমদে কনানা
চৎলি পুরিবা লম্বীদুদা
থেংনহল্লি থৌদোক কয়া
মহৌশা মানসু হংলি
ব্রাহং কয়া ইফমদা
পাউখুম লৈত্রবসু
থুপ্লবা থম্মোইনুংদদি
থল্লীয়ে পীগে খন্না
হিংলিবা পুন্সিগী মহিং
খল্লিবা ব্রাখলসিনা
চিংনহল্লি তৎতনা
ঐগী লম্বীসিনা কদোমদা
হঙ্গৎতুনসু য়েংলুদে
হল্লগসু য়েংনিংলুদে
ইতোমতা লাকপনি
ইতোমতা হনখিনি ।

০৮/১০/১২

ইমা

ইমা
ননাকতা লৈরিঙৈ ঐনা
পাম্লুদে অহেনবা কনাবু
করি ব্রাৎলি নফমদা
লোন্না থুপ্না লোৎলিবা
য়েহ্থোক্তনা য়োন্নীবা মনিবু
কনাগী মতীক্লা হুরানখিনি
পুন্সিসে কচচগে নখূয়াদা
লৌশিনবিয়ু লৎনদনা
চিংনদে কনাগী মিৎয়েং
নঙগী তম্পাকতা শান্নরিঙৈ
লান্থেংনগনি অকনবা লান্মীগুম
খোঙদা য়োৎহ্লিং থাংলসু
ঈখৌ পেন্না লাওগনি
ঐগী ইমাদি লান্দে
হিংবগী মমলনা লৈদুনা
মীনাই নাইথাংগুম লেল্লসু
নঙগীদমক্তা লেপকনি
ঐগীদি নঙখকতনি ইমা
কনাদা ইমা কৌরুনি
তাইবংদা ঐনা খোঙদারকঁঙৈ

লেল্লম্মি নঙদি অদুম্মক
অদুবু কল্লকউদে কনাগী ফজবদা
চাল্লবসু মৈরি থোক্লা
খাঙবা ঙমলে ঙসিদি
নুংশিবী ঐগী ইমানি
পুন্সি চেংজেল লোইদ্রিফাও
পেন্না কৌজখিসে ইমাও ।

১১/০৮/১২

আগষ্ট ১৩

নীংশিংহল্লো নৌহৌনা
কুমওন কয়া হৌখ্রসু
লাংওন লীশীংনা লানখ্রসু
তাইবং থম্মোই লকাদা
লেঙদ মমি তারিয়ে
থা-থৱান নখোয়দি
উরমগনি থৌদোকতো
অহাংবা অতিয়াদা তারিবা
ময়েক লানা ইরিবা
নখোয়গী ৱারীনি মুৎনাইদ্রবা
ইতিহাসকী চেনা খূদিং
অঙাংবা ঈখেংতনা ইখ্রবা
থৌনা ফবা নখোয়গী ৱারীনি মুৎনাইদ্রবা
ইমাগী তম্পাকতা য়াতানা তুমখ্রসু
কাওখিবা লৈতে অথৌবা
লাকখো ঙসিসু হল্লকখো
মিকপ মীরাওখোলনা নিল্লবা
ঐগী নুংশিবী ইরমদমসে
ঙাক্লখো নৌহৌনা
শেন্নখো হন্না অমুক্কা
অনৌবা নিংথিবা সংসার ।

১৩/০৮/১২

ফুঙ্গা ৱারী

ৱারীনি মালেমসিগী
মীপুম খূদিংনা তারিবা
শংবান্নবা লৈকোলগুম
মালং শাহুমনা লৈনাদা
কেন্না মৌনা শাথেকহল্লন্মি
তোবর্বান নাইবা ঈচেল কয়া
খোইথুম্বা সুরদা
হৈখা মপান্দা তোংদুনা
পিকতক চেংতক চেক্লা মানা
শৈশক তম্লন্মি শৈথাদুনা
কোরৌ মাগী মঙালদা
চুমথাং মানা শাৎকায়রকপদি
করিগা লম্বা তৌরুনি
শৈথাবনা ৱাৎলবা
য়েলহৌঙৈগী সংসারদো
মাঙখ্রে ঙসিদি মিৎমাঙদৈ
লিরিবনি থাজ মানা ঙসিসু
তম্লম্বনি কুফেৎ কাফেৎ
অহাংবা অতিয়াদৈ থান মানসু
কাওথোক্লখ্রে ঙসিদি পূম্নমক
নীংশিংহন্দরে মপু মানা
ওইহৌরে ঙসিদি
ফুঙ্গা ৱারী অশেংবা ।

২৫/০৮/১২

হো পুন্সি

চুমথাং মচুনি
মীওইপোক নঙসে
হৌরকফম নাইদে
লোইশিনফম খঙদে
অৱা নুংঙাই
কপ্পা নোকপা
লীলানি নঙগীদি
মঙাল অমগুম
শকউদে থৱায়দো
মাগী লীচৎননি
শক্তাক্লিবা পুন্সিবু
মাঙখিনি হকচাংদি নোংমা
লৈতাখিনি লৈরোন্নুংদা
পাইখিনি থৱায়সু
চেক্লাগী মতৌগুম
অনৌবা মপোক
নুংঙাইরবা সংসার
খোঙদারকখিনি অমুক
হো পুন্সি নঙবুনে
চৎলু নঙদি

নিংঙাইদনা মকা লাম্না
শিববু তুজুংদনা
থৌনা ফনা
ঈশ্বরগী খৃয়াদা
নিজনবা অমুক্কা
নুংঙাইবা মপোক অমগী লৌরুনবা
থৌদাংবু
নোক্লা খেনা
পীরম্মু বিদায় !

১২/১২/১২

বোবোক

ঐগী নিংশিংবৈ লৈকোলসিদা
লৈশাৎ তমলি ঙসিসু নঙদি
নঙগী নুংশিরবা খোঞ্জেলসু
মাঙখিবা লৈতে নাপদৈ
লীররি ৱারী মহৌশাগুম
মফম খূদিংদা ঐবু
খূৎশমদুনা পুবীরি
ৱারী কয়াসু হৌখ্রবা
লৌশিং ওইনবা হান্নগুম
পূক্নীংবু তৎতনা পেলহনবীরি
শিন্থগনবা পিরাংবুসু
থোৎলবা নঙগী খূৎশানা
তৈথোকপিরি খল্লুই থায়নগুম
অদুবু
ঙসিদি লেপখিদ্রে ইমাঙদা
অশেংবা শক্তম্দি উৎখদ্রে
[illegible] থাদোক্লা ঐগী পাক্লবা
[illegible] বোবোক [illegible]
[illegible]খো ৱারী কয়া
থেম্বীরখো অমুক মহৌশাগুম !

১৫/০৫/১২

থল্লল্লসি

ইমা নঙগী লৈকোলসিদা ঐদি
মল্ল সংসার ওইরেদো
পুন্সি !
নঙগী খোঙচৎসিনা অমুকসু
নিংবা কায়হল্লে তৎতনা
অৱাবা শরুক্লা য়োল্লবদা
নোক্লিংবা ফাওদরে ঐদি
তৎতনা খৎনরুরে ঐহাক্কা
অৱা নুংঙাই অনীগা
তিংখং তুম্বৌ মরক্তা
পুরি কোইচিং চিংদুনা
ঐবু মালংনা হুমদুনা
শাগৎচখিবা আশা কয়াসু
ময়েং তারক্লে ঙসিদি
কনাদা করি পাউদল্লগা
ফংগনি নিংজরিবা ঐনা
চৎখ্রো থৱায় নঙসু ঙসিদি
পুখরো পুনিংবা মায়কৈদা
থিংলরোই অমুক ঙসিদি ঐ
থল্লল্লসি হকচাংদি লৈরোন্নুংসিদা ।

৩১/১২/১২

খঙনা খঙনা

ইমাগী তম্পাক্তা শান্নরিঙৈ
ইনিং তম্না লাংজরিঙৈ
মিকুপ্তুদ ওইরমাল্লে
ওইরম্বদো মরূপ নুংঙাইবা মাবু
মতম মাগী খোঙচৎতা
অসুম হৌখি নোংমা-নোংমা
ৱাখল মাসু মপূঙ ফারকখি
খঙলকখি অৱাবা
হিংবগী মহাও
মমি শান্নবা ৱারীদুগী হৌরকফম
চোয়না তারিবা লৈরাংগী
লৈনম চেন্দ্রবা লৈনানা
অহাংবা অতিয়াদা পাইদুনা
মচু তরেৎকী ফীরাল নাক্তা
য়ৌনবা লাক্লরিবগী মরম
ৱাখল মানা লাকশিন্দুনা য়েংলি
ৱাহল্লে চেন্থোকফম খঙদনা
খঙনা খঙনা অদুম্মক
করিগী চৎনিংলি লম্বীসিদা
করিগী চিন্নীংলুই নাপদুদা
নাইতোম তারবা লৈরাং মাবু॥

১২/১২/১২

অহিংদুগী খোঞ্জেল

তাখি থাপ্লবা লৈকোলদৈ
মমি শাল্লবা চেক্লাদুগী
মচা কায়নরবা মমাগুম
মখোল শিনা তেংথারি
ঈচিক হুনবা অহিংবু
লাংতক্লুহল্লি মখোলদুনা
শোংল ৱাপল মরক্তা
পাইথোকফম খঙদা ফাজিল্লবরা
শাদানবা কনাগী মখূৎতা
ঈখেং তানা শোক্লবরা
ৱাখলসিনদি চৎলি মফমদুদা
উবদি ফংদরে মল্ল তাইবংনি
কঞ্জনিংলুবা থৱায় হকচাংসিদি
তগুপ্লা ঙাল্লম্বা থৱানসু
লৈচিল্লক্তা মাঙখরে
লৈকোলদুগী লৈরাংসু
লৈনালক্তা লোৎখরে
কনানসু উহীদরে মহাকপু
অহিংদুগী খোঞ্জেলনা
থম্মোই লকাদা য়ৈররে ঙসিসু

১২/১২/১২

ঐগী সংসার

উরি মফম খূদিং
নিংথিবী নঙগী ফজবা
খরাইথক্তা হাপ্লীবা লৈরাং কয়া
কুমওগী হরাও কুম্মৈ কয়াসু
নঙগী শক্তমসিনা
থম্মোই ঐগী খোয়রাংহল্লি
মঙাল পীররে খোঙচৎসিদা
চংলুবা লৈকোল খূদিংসু
নুংশি লৈনমতনা থল্লরে
লিরি নামিবগী তান্থাদা
ঈয়াই থক্কী থম্বালনা
কেজবা উবদা
নোংদোল থাজ মাসু
লৈচিল্লক্তা লোৎখরে
নুংশিবা সুরদা শৈশক্লিবা
লমগী চেক্লাগী খোঞ্জেল তারুবদা
হেন্না নিংথিজরে লৈকোলসে
তশেংনা নিংথিরে ঐগী সংসারসে
চাকহল্লে মালেম পূন্নমক্তা
লাইবক ফবা ঐহাক্কী
নঙবু ঐগী ফংজবদি।।

১২/১২/১২

চৎখ্রবদা

লমহেল্লমাল্লে ৱাখলসে
পূক্লীংগী মায়কৈদা লেপ্তুরে
লম্বীসে লম্ফাংনদৌরে
ইনাক্তগী চৎখ্রবী মাবু
নীংশিংলকই থম্মোইদদি অসুম্মক
হায়রম্বা ৱাহৈশিংদুনা
কঙাওনহল্লে ঐবু মফম খঙদনা
খঙই ৱারৌরমগনি মানসু
ঐগী ৱাহৈদা নীংশিংলগা
নুংশি ৱারী লীনিংলুবা
মীনম্বনি হায়বীরল্লে ঐবু
উরি ঙসিসু উখিবা শক্তম
খঙহন্নীংলুবা ঐগী নুংশিবা
ওইরল্লে মদুনা অরানবা
অদুবু চুশিনখরে ইফমদদি নুংশিবা
কানববু করিনো মসিংগী
থাজবা মাসু মাঙখরে
হায়ররোই অমুক নফমদা
চৎখ্রবদা ননীং তম্লনি খন্দুনা।।

১২/১২/১২

কাওখ্রবসু

তম্বা ঙমদ মীওইপোক
হৌখি মতম মাদি
তিনখি চেন্থরিবা ঈচেল্লক্তা
হৌখ্রবা থৌদোক কয়ানা
পূল্লীংবু তৎতনা ব্রাহল্লি
লিরি হৌখ্র ব্রারী
শাগৎতুনা ব্রাখল মানা
চৎখি থব্রায় কয়ামসু
অমুক নৌহৌননা হল্লকই
ব্রাখলদি খেন্নে মীওই'ব খূদিং
কাওথোক্লুই লোইবা নাইবা মপোক্লি
নীংশিংবা ঙমদে হয়েংবু
তাক্লকখিদে কনানা লাক্কদববু
উবা ফংদ চৎলিবনি
করি থোক্লগবা হয়েংনা
মসিরা পুন্সি
অসুক লৈতাহন্দবা
কাওখ্রবসু নীংশিংলকপদা ব্রাহনবা।।

১২/১২/১২

ঐগী নুংশিবীনি

নঙদি থৱায়নি
থৱায় পানবা জীব খূদিংগী
নঙনা তন্বীবনি পুন্সি খোঙচৎ
নঙগী নকাদা শান্নরিঙৈ
চিংনদে কনাবুসু
থৱায় তানা নোকচৈ
নরুম থুপ্না লৈরিঙৈ
চৎখিনুকো ইমা থাদোক্লগা
হিংঙল্লোইনে পুন্সিসে
পুঙল্লোই কানা মৈচাক
লোইবা নাইবা খোঙচৎলক্তা
করিগী পুবীরক্লি নহাক্লা
হায়দায় নুংশি হায়না
ফংনবরা অৱা মৈচাকসে
মিকুপ খূদিং চিংনৈ
নঙগী খোঞ্জেল তাহৌদবদা
লাকনিংঙি মিকুপ খূদিং
নাইতোম থোক্লিবা থাজনি
ঐগী নুংশিথোইবীনি
অহেনবা কনা পামদরে
নহাক্লা ইনাক্তা লেপ্লিঙৈ ।।

১২/১২/১২

ঐগীদি পুন্সিনি

ঐগীদি পুন্সিনি
হিংবগী মহাওসুনি
অসুম্না লেঞ্জগনি অদুম্মক
হোংলরোই ঐগী ব্রাখল
ঙাওহল্লবসু খোয়রাংহল্লবসু
মতমগী চৎনবী কয়ানা
লমহেল্লুরবসু মতম খরা
হল্লক্কনি অদুম্মক ঐদি
উরুবসু য়েংলকপা মিৎয়েংদা
চল্লবসু পাউখোঙ কয়া
খঙই ঐসু পূম্নমক
অদুবু লেপখ্রে ঐদি
লেল্লগে হায়না অসুম্না
মালংবা মাগা
থাজ মাগী মতৌগদা
লুপখ্রগে হায়না লেপ্লে
প্রকৃতিগী ফজবা কয়াসু
ঐগী ওইগে খল্লে
পাক্লবা নুংশিগী ঈপাক্তা
শান্নজরগে খল্লে মহৌশা মাগা
পীরক্লনু অথিংবা কনানসু

য়াবা ঙল্লোই থৱায়সিনা
ঙমগনি ঐদি ইতোমতা চৎখিবা
তুবি মানা থৱায়নি
ৱাহৈসিনা মরূপনি
পুন্সি খোঙচৎনা লেপত্রিফাও
শাগোন্নদুনা লেনগনি অদুম্মক।।

১২/১২/১২

শুমহৎলক্ষ্মী

ঙাওহল্লম্বনি নঙনা
অহেনবা কনা পাল্লুদে
লোন্না লাৎচরকই শক্তমদো
অহিংগী ফজবদা ঙাওজবা
থম্মোইনদি পামজনা
ঙসিদি ওইরমাল্লে নিংবা কায়রবা
নঙগী ব্রাহৈ কয়াবু
নুংশি ব্রাহৈনি খল্লুই
মিৎচান্নৈ হায়না খল্লুবা
য়েংহৌবা খক্তা ওইরমাল্লে
কায়রেদো ঙসিদি থম্মোইসু
লোইখিবা নত্তে ব্রারীসে
নুংশিবদি লেঙদবনি
নুংশিনবদি মাঙখি
ঙাকিপিনা ঙমদ্রবা নঙন
পল্লানা ঙসিদি ঐসু
নঙগীদমক করিগী বারনি
লেপ্পমদ্রবদা নঙনা
করিগী নৌহৌনা খুৎশেল্লুনি
য়েৎলরোই অমুক হন্না
শুমহৎলক্ষ্মি নঙগী নতৌনা
ঙসিদি ব্রাহল্লে নঙগী অপাম্বনা।।

১২/১২/১২

নুংশিবা

পোক্লকখিদ্রা ঐবু
নৌহৌনা শাৎকায়রকখিদ্রা
নুংশি লৈনম্না থুমহৎলকখিদ্রা
থম্মোই লকানুংশিবু
ফাওরকখিদ্রা নৌহৌনা
হরাও নুংঙাই কয়াদো
হায়নৈ মীওই খৃদিংনা
শকউদে নুংশিবা কৌবা মাবু
লোইবা নাইদে হায়নসু
থম্মোইসিনদি য়ানিংদে
নুংশিবা মাগী হৌরকফমদি
থম্মোই অনীগী মরীবুনি
খঙহনবনি ব্রাখলতনা নুংশিবা
থম্মোই মানা য়ানিংদ্রবা
মাঙখিনি হেন্বা য়াদ নুংশিবা
লৈরাং অনীগী মতৌগুম
থম্মোয় অনিগী মশক্নি
লৈরাং অমা কেনখ্রবা
ফজফম খঙলোই লৈকোলদা
থম্মোই অমনা য়ানিংদ্রবা
লোৎখিনি নুংশিবা মাসু
খঞ্জিল্লগা পূম্নমক
থাংজিনবা পামদরে খোঙথাং
লেল্লগে ঐদি অসূম্না ।।

১২/১২/১২

হৌরকফম

ফোঙদোক্লমগনি ঐনা
চৎকনী মফম খূদিং
লীরুনী নঙগী ৱারী
তাহনগনী মালেম শিন- থুংনা
শক্তাক্কনী তাইবংদা
হেল্লী পূম্নমক্কী হেল্লী
লৈহল্লোয় চাংদম্নবা নহাক্কা
নঙগী শক্তম্নদী হেল্লী নুজাদগীসু
নিংথিবী নঙগী মায়থোঙ
তাহন্নিংদে অৱাবা মমি
পুর্ণিমাগী থাবল ইপোমদা
লৈচিল মানা খুমজিনখ্রগা
হাংদোকরকপদি করিগী লম্বা তৌরুনি
ওইজগে ঐনা চেক্লা মাবু
পাইজগে ইনিং তম্না লৈকোনসিদা
শৈথাজগে নঙগী নগুনবু
ঈংনা চিক্লা য়েকচগে শক্তমসে
ঐগী আশাগী লৈকোলনি নঙদি
সুর পূম্নমক্কী হৌরকফম
থৱায়গী পোত্থামসু ওইহনবীয়ুকো ।

১২/১২/১২

ভাইখিনি পন্থং

ঐগী লৈকোল

ৱারগা লৈরদ্রা অসুম্না
ঐখোয়না পোত্থাহন্দ্রব্রা নহাকপু
লৈই কায়না তম্পাকথক্তা
অমুবা ৱায়েল শেম্লগা
নঙগী পুন্সিবু হুরানখ্রসু
হম্থবা লৈতে নগুনদি
অদুমক ওইবিয়ে ঐগী
মফমসিনি ঐগী শান্নফম
পোত্থাফমনি থৱায়সিগীদি
চোকথবা লৈতে ঐদি
য়েংবগী পেনবসু নাইদে
নিংথিবী নঙগী মায়থোংসে
ওইরিবনী ঐগীদি লৈকোল
য়েংলিবনী নঙবুত্তা মিংথাসনা
শঙলিবনী ঐদি নাঙব
ঙাইরিবনী লৈশাং [illegible]
তহিংগী লিক্লানসা [illegible]
লৈরাংখক্লো [illegible]
পাইরক্লে কুরাক কয়াসু
শান্নবা নঙগা হান্নগুম
পাংদবদী ওইহনগনু ঐবু
শিংবা ঙমহনবীয়ু লমন
মিরাইরিবমগনু ঈমা নহাক্লা ।

১৪/১২/১২

নিংথিবী

মালেম নঙগী নকাদা
নাইতোম ঙাল্লিবী থাজনা
ঈকাইনা লোৎলিয়ে মতোমতা
লৈচিন মানা ঈকাই ফিজী ওইরী
পূম্নমক নিংথিহল্লে
হনুবা চীংজাওগা
থাজগী মতৌগনা
মালং মানা খূনগৎলী লৈচিনবু
য়েংজনবা তাইবংনা
থৱায় মানা নাচোম ওইনা
নিংথিহল্লে পাক্ল অতিয়াবু
থাজ নঙবু উবদা
নুজা কন্না ঈকাইরিসে
করম্নবু শৈথারসিগে
অহিংগী লিক্লানা লৈরাংবু
ঈকাইবা পীগে হোৎনরী
তাক্লরে নিংথিবী নঙগী নগুন
ঐগী থম্মোইবুসু খোইরাংহল্লে
য়েংবগী পেন্নায়দ্রবা মতৌদা ।

১২/১২/১২

খাঙলিবনী

হায়খি নঙনা তোয়না
শেৎনা য়াদ কিশিনা পুল্লে
অদুবু ৱারে ঙসিদি ঐসে
ৱাহৈদুগী অর্থ থিবদা
খল্লুবনি অরেপ্পনি হায়না
ওইহৌরেদো ঙসিদি
ঈচেল মচাদুদা চেন্থরিবা
মশক উদ্রবা কাউশিং ওইনা
নুংশি মিৎয়েংসু শামখরে
চিরোল হৈবী অমগুম
মরীগী শান্নরম্মি থম্মোইবু
ওইরব্রা মসিনা অপেনবা
খাঙলিবনী ঐদি লোনথোক্তনা
থিবা ফংদ্রে ৱাহৈসু
ফোঙদোক্লীংলবসু ঈচিলসিনা
পূম্নমক অরেম্বা ওইরেদো
মতম অমগী ৱারীগুম
মুশি মুশি উরক্লে
থম্মোইনুংদা য়েকচখিবা
নুংশি নঙগী শক্তমদো ।

১৪/১২/১২

মঙলান

করিগী অদুক তোন্না লেল্লিবা
মায়থোঙদো লোৎশিন্দুনা
য়েংনিংই অপেনবা লৈতনা
থেৎনিংই নাচোম নাপদুদা
করিগী অদুক শোন্থরী
নঙগী থম্মোইনা পেন্নবা
ওইনীংই অরূবা লাইজ
খৌরাংবা কোকহন্নীংই নঙবু
অদুবু ওইরম্লে মঙলান
শাগৎলুবা আশা কয়াসু
ব্রাখল মাগী ওইরম্লে
য়েংনিংলুবা শক্তমদো
উবা ফংহন্দ্রে খোইদাজনা
কিন্থখ্রে নঙগী শম্বুল
মোমোন নোক্লী খল্লুবু
ঐগী ব্রাখল লাল্লম্লে
নঙবু নীং তম্লে লাওরুবা
অঙাওবৈ চোইরোল ওইরেরদো
অপংবা থম্মোই ওইহৌরে
হায়ফম খঙদ নুংশিরুবা
ওইরকখিদ্রা নঙবু থৌনা ফবী
অখাং কনবী অথোইবী
মীথোই মীহেন পোকপীদো ।

১২/১২/১২

Translated English Section

Oh Life !
(Ho Punshi)

It is a colour of rainbow
The life of human being
There is no beginning
There is no ending
Happiness and sorrows
Crying and laughing
It's your drama
As a light
That the unssen soul
It's his nature
That reveals the life
May lost one day
And will be trodden layers upon
And soul too
Will fly away
Like a bird
A new life
A joyful universe be settled again
Oh ! you life go freely anywhere
Without bearing the burden of death
Bravely at the foot of the God
To beg for a new life
To take the duty
Of a new life
Merrily and gaily
Give your adieu..

Translated by Ch Premananda Roy

Evening Fay
(Numidangwairamgi helloi)

Seen one day
In the vast empty sky
Like the colour of orange
Fruits and flowers
All the birds
In their habit
While standing silently
The breeze stopped its time
Hanging freely in the sky
Playing with the clouds
Stopped the way
The haughty nature
Without looking back anyone
Slowly and slowly
Beyond the old rock
Stepping down slowly
Looking back hastily
Without knowing the side
Many a bird trying
To reach it's nest
Competing as fast as it can
It's your wonderful feat
That enchants everything
All the hearts too
Like an evening fay.

Translated by Ch Premananda Roy

Grandmother
(Bobok)

In my garden of memory
You're blooming even
Upto this day also
With the sweet voice of yours
Never lost from my ears
Telling all the time
Of that past
And holding my hand
Still taking me to everywhere
And pleasing me everytime
The occasional tears
From my eyes
Falling down
Wiped by your soft fingers
As things of the past
But
By not standing before me today
And invisible is your real face
Thus left me now
Far away from you
Come ' Bobok' in my dream
Tell many a story again
Console me anew
As of former days.

Translated by Ch Premananda Roy

Both Unsurpassing
(Amanasu Hende)

You are all busy
In the vast sky
Competing one another
To be the first
You are morning's friend
And you are night's company
Of his infinity
Spreading with thy light
Many a bird in the vacant sky
In the meandering air's tide
Freely and independently
Playing merrily
Oh! darling of the night
Seeing your skin colour
The flower nocturnal
Mad in the moonlight
Spreading the fragrance
Without concealing
Many a friend of yours
In the vast sky
Playing hide and seek
And looking by twinkling
Maddened me too unbearably
Enchanted by your nature.

Translated by: Ch Premananda Roy

Moon
(Thaja)

Your face is almost round
A sight full of softness
As bright as silver
The cool breeze like a current
Is moving around slowly
A mixture of sweet smell
Is sending tidings with love
The most love of all birds
The skylark being mad
With your shadow
Is looking upward at the sky
You are cautioned to be ready
But
I am not willing to see you
Be gone far from me
A place beyond my vision
A life forsaken by hope
To me it is without taste
I'm mesmerized by your beauty
Seeing the condition of the skylark
My haert is ridicluled.

Translated by: R.K. Joykumar Singh

Though gone
(Chatkhrabasu)

Though you are gone
The remembrance is there
That unables the mouth to utter
Let's depart forever
Many wills and likings of yours
Never liked to see by the heart
Concealing many sad occasions
Only on the face
The way you go
Was taken to be
Your pleasing heart
The condoler of the haughty heart
Has gone then
Like a immovable tree
Standing and confronting the cause
A defeated soldier I'm
Should I live in whose will
When the life like to cease
Without alleging to anyone
The immortal story of my life
How should it be marked.

Translated by: Ch Premananda Roy

Why
(Karigi)

Still like to know even today
The question without answer
Makes me weeping every moment
What is the reason of the beginning
Making afar from me
Have gone leaving me behind
The way also lost today
Where statys the heart
Where is the thought
Pulses are still running
But the taste of living lost
How to write again
The story of my lost life
Vanished all the scripts too
Written by my own hand non-stop
The gift presented by you
Has lost without reason
Tormenting me like this
Is that your contenment.

Translated by: Ch Premananda Roy

The Way
(Lambee)

You are of many kinds
Which side is the destination
Where is the goal
No one can know
But going on the way as it brings
Facing many incidence
The nature also questioning
Many querries to me
Though there is no answer
In the deep corner of the heart
Reserving to be given
The nature of life existing
By the thinking thought
Makes it doubtfull
On which side is my way
Never intend to look back
Nor wish to see aback
I came alone
I shall go back alone.

Translated by. Ch Premananda Roy

Season's rain
(Kumgee Nong)

Season's rain, come and shower
Let it bloom with new buds
Correctall the croocked l lines drawn
hard walking stick of grandfather
It is a time to seek
control the haughty sons and grandsons
let's wake up together
by fighting courageously
let's wipe away the mother's tear too
the limitless sky murmering as beautiful
where is your destination
flying in the empty sky
like the shapeless clouds
as the undeterminable thoughts
may surely be yours
don't stay backwards
lets make new generations
a beautiful garden of sweet flowers.

Translated by: Ch Premananda Roy

Destination
(Panthung)

On the path of of my life
I have beenn leading by the thought
Will go on till the destination
If the journey stopped
Without reaching the long path
The goal seen before my eyesight
Should I retreat without getting the
goal
Should I be happy today
Shall I cry desperately
Like a withered branch
Like a life with no shadow
Like the dews uopn roses
why I'm thinking
Why comparing with him
It's the story of my life
Waiting still for him even today
Those flying without destination
Itis my life like the clouds
That trembled again for tomorrow
Shall I stay waiting
Puzzled me s today.

Translated by Ch Premananda Roy

The stars
(Thawanmichak)

You are better
Than the moon
It's by your decorations
That makes the sky beautiful
By your twinkling light
Makes the heart passionate
You are beautiful quietly
Blooming in the sky
You are a flower
In your beautiful garden
Like a butterfyl fyling around
Hiding amidst the clouds
A traitor he is
Thinking as shining alone
There is no place to me
Scarred face of yours
Isn't jealous by my heart
Blooming altogether
Oh! statrs you are the one
I'm maddened.

Translated by. Ch Premananda Roy

Humans
(Meeoiba)

Oh! human being
Why so coward
Defeating again and again
Going back to where
Can you know
Uable to get by your thought
Keeping aside again
Running back why
In this garden of many colours
You became the black
Seemingly you have no heart
With thousands of stars in the sky
Shining and twinkilng
It is the mode of your life
Many a bunch of flowers
All are withered today
Those are the time of love
By many beautiful birds
Flown away without knowing the side
But where are you and which way
It's doubtfull
If you would be vanished.

Translated by: Ch Premananda Roy

The goal would still be waiting
(Ngaikhini Panthung)

Promised a number of times
With many hopes
Life going on without retreating
Thoughts playing wiothout stopping
Mocking the decision of thought
The heart intends the goal
Many querries are questioning
By the unseen soul
The beginning of all beings
My beloved mother
How can I repay your credits
Embracing the almighty at the closet
Keeping on thetray of thought
Thinking to perform the duty
Firmly without changingand thinking
Stillthe goal the would be waited for
Waiting for the final decision
The question of my life
If not getting the answer
Will be standing here itself
And will go on without retreating
Untill the vision ccomes
On the top of the mountain
The white flag standing firm.

Translated by. Ch Premananda Roy

Forgotten
(Kaothoklurabani)

I did forget it
Didn't remember it
The past episode
I didn't suffer from sorrow
My thingking is unstable
It goes on changing
No halt for my mind
This small journey of my life
Is a coloured one for me
Like the birds
Across the limitless sky
My soul flies on it
No envy over the love of somebody
Playing amidst the ripple of wind
Like the flowers
It is a provocation to me
The harsh sun of summer
The frost of winter
They are same to me
The genesis of everything
let me say today
You are the one.

Translated by: R K Joykumar Singh

Cloud shrouded moon
(Leichillaki Thaja)

You are shining all alone
In this darkness of the night
The singers of love
The birds are sleeping
Drove humming in lonliness
They have vanished into nothingness
The shapeless clouds
The limitless sky
After seeing all of them
Have fled all with fright
Those playing around
Your close ones
They are gone today
The flora of spring
When the goddessof nature
Changes her facade suddenly
The heart is left craving
Why are you hiding still
I have been waiting for long
Appear before the vision of the world
Quench the thirst
Of the unquenched souls.

Translated by R K Joykumar Singh

Life
(Punshi)

Who art thou O! life
You are not envied
And among the humans
Am I to be whom
And the relation between
To be what?
Freedom I like
A seculeded life I desire
Far away from all weathers
Of hot and cold
The agony of sufferings
Pained me
The fire smothering
In the place of the heath
Now let me be a truant
From the stream flowing
And anything not wanting
Ask not the atste of this life
Why such bewildered a state
There can never be an answer
When the intention decides
So resolves by my soul
For the sake of this life

Translated by: Kh. Nimaicharan Singh.

All Finished
(Loikhre)

Yeh! Goddess of time
Thy current carries down
Incidence of lives
And make us remembereven
Following the laspe of days
Divided were the lives
Once belonged to both
A new start will begin the path
While mine remaining still
The small heart desires no start
When all taste have gone
Though you are lost from sight
The heart hankers the moon
And the thousand stars
With a craving for the foam
And the heaven
The mild breeze though stops
Still approach the heart
To the fragrance of flowers
As thi I leave for no goal
In the flowing down
And drowning again and again
With your word that one
Has made time my enmity
And this I declare to all
For thy sake.

Translated by: Kh. Nimaicharan Singh

Loktak Lake
(Loktak Pat)

Surrounded by rows of hills
My beloved motherland
Stage of the mother nature
Our best among the best
Retelling by the ancient tales
And introduces thyself
Expressing many qualities of yous
Non stopping even today
The mirror of memory seen afar
Sitting upon the grass
*By 'Ngaton and Pengba'**
Dancing round and around
So beautiful without changing
The eyesight
But again
By many lotus and lilies
Adorning as decorations
When going afar to anywhere
Will not be seen
Till the end of this life
Merrily and jumping heartily
Let me play on your lap.


* *Local fish*

Translated by: Ch Premananda Roy

The night
(Ahing)

In the dead of the night
In the pin drop silence
The empty sky vanishing too
The breeze too hidden
Thinking further in this moment
Story of the garden of the heart
Making up hopes a lot
Still the story tells even today
On to the moon in the sky
By the cunning fellow cricket
Mocking me all the time
By the deep forest to me
Threatening the heart
Why only this moment
Remembering again and again
Many incidence that past
Is there any gain for this.

Translated by: Ch Premananda Roy





Bio Data of
Km. Rimeeta Aribam

Date of Birth: Born on the 25th August at Nagamapal, Imphal

Father's name: Aribam Chourajit Sharma

Mother's name: Kongrailatpam Joymati Devi

Address: Nagamapal Kangjabi Leirak,Imphal - 795001 Manipur

Education: Studying B.A. (Final Yr.) Guru Gobind Singh Women's College, Chandigarh

Art Education: Studied Drawing & Painting under the guidance of Ch. Premananda Roy (Sr. artist of Manipur)

Awards & Achievements:
* Won many prizes Painting competitions held in many parts of Imphal.
* Won 2nd Position in(Gr.B) in Charu Internationl Painting Competition 2007, orgd. by. Charu Castle Foundation, Ghaziabad (UP).
* Participated in the 38th State Exhibition of Art 2007,2008 orgd. by Manipur State Kala Akademi, Imphal
* Participated in the 8th Manipur State Art Exposition,2008 orgd. by Manipur State Kala Akademi, Imphal.
* Published 3(three)Books in Manipuri(Poetry):
  i) "[illegible] Panthung" in 2008;
  ii) "[illegible] Panthung" in 2011
  iii) " [illegible] Panthung" 2013

[illegible] [illegible], [illegible] & painting,listening to music and playing badminton.

[illegible] [illegible] Member, The Cultural Forum, Manipur

[illegible] [illegible]

[illegible]

